# সেরি এগী ক্লবশিংনা ট্রেনিং হৌরনবা শেম শাখ্রে




রোম, মে ০৩ (এজেন্সি)ঃ
য়ুরোপকী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইটালিয়াগী সেরি এ দা শরুক য়ারিবা ক্লবশিংনা হৌখিবা মার্চ থাদগী কোভিদ-১৯ লাইচৎনা লেপ্তুনা লাকখিবা ট্রেনিং অদু লীগ অসিদু শরুক য়ারিবা ক্লবশিংগী মনুংদদা খরাদি নিংথৌকাবা নুমিৎতগী ট্রেনিং চৎখবা হৌগদৌরি।

ইটালি গভর্ণমেন্টনা লাইচৎ অসিবু শন্দোকপা থিংনবগীদমক থম্লকখিবা লোকদাউন হেক লোয়বগী নোংঙানবদা মে ১৮ দগী লৈবাক অদুগী প্রোফিসিনেল টিমশিংদা ট্রেনিং চথনবগী অয়াবা পীখিবা লৈরে লোয়ননা ট্রেনিং সেসন অসি চথবদা ক্লবশিংনা সোসিয়েল দিসটেন্সিং ঙাকপা মথৌ তায়। অদুমকপু ক্লব খরদি ট্রেনিং সেসন অসি মাঙজৌননা পাঙথোকপা শেম শারি।

সেরি এ অসি হৌখিবা মার্চ ৯ দগী লেপ্তুনা লাক্লি। অমদি লীগ অসিবু শীনল্লি লাঙলিবা অমসুং ইটালিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন ( এফ আই জি সি)নদি সিজন অসি মপুং ফানা লোয়শিনবা পাল্লবসু ইটালিয়ান গভর্ণমেন্টনদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা ট্রেনিং চথবা য়ানবগী ৱাফম ফোঙদোকখ্রবসু সিজন অসি পাঙথোকপদা অয়াবা পীরকদ্রা পীরকলোয়দ্রা হায়বা খঙবা ঙমদনা লৈরি।

হৌখিবা শাগোলশেল নুমিৎতা ইমিলিয়া-রোমাকনা রিজন ওফ ইটালিননা মফম অদুগী লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা ক্লব ওইরিবা সসাওলো, এস পি এ এল, বোলোকনা অমদি পরমাবু লাক্কদৌরিবা চায়োলদা ট্রেনিং সেসন পাঙথোক্লবগী অয়াবা পীখি। লোয়ননা খোঙথাং অসিদসু ইটালিগী মমিং লৈরবা ক্লব এ এস রোমাসু য়াওশিন্দুনা ট্রেনিং চৎখবা হৌগদৌরি।

লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা সসাওলোনা অহানবা ওইনা মখোয়গী শান্নরোইশিংবু নিংথৌকাবা নুমিৎতগী সোসিয়েল দিসটেন্সিংগী চৎনা কাঙলোন ঙাক্তুনা অমদি মীয়াম পুলহন্দনা ট্রেনিং পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকপা সেরি এগী অহানবা ক্লব ওইখি। সসাওলোনা হিরম অসিগী মতাংদা হায়, মে ৪ নিংথৌকাবা নুমিৎতগী ঐখোয়গী শান্নরোইশিংনা মপৈ ফুটবোল সেন্টর পীটসতা ইন্দিভিজ্যুয়েল চথবা য়ারগনি।

অদুমকপু ইন্দোরগী ফেসিলিটিশিংদি শীজিন্নবগী অয়াবা লৈরোই। শান্নরোইশিংনা পীটচ খক্তমক শীজিন্নবা য়াগনি। ইন্দিভিজ্যুয়েল সেসন অসি নিংথৌকাবদগী ইরাই ফাওবা অয়ুক খুদিংগী পীটচ অহুম লৈবদা অমমমনা এঠলেট ৬ না পুং অমমম শীজিন্নবা য়াগনি অদুমকপু কোচিং ষ্টাফ মফম অদুদদা শরুক য়ারোই। লোয়ননা ইর্মজেন্সি হেলঠ সার্ভিসকী খুদোং চাবসু পীগনি হায়খি।

ইমিলিয়া-রোমাকনা রিজন ওফ ইটালিনা ট্রেনিং চথনবগী অয়াবা পীখিবা ক্লবশিং অদুগী মনুংদা বোলোকনানা সসাওলোগা চপ মান্নবা চৎনা কাঙলোনদা ট্রেনিং চথনবগী অয়াবা পীবগী ৱাফম ফোঙদোকখ্রবসু পারমা অমদি এস পি এ এলগী টিমশিংদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা হিরম অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি।

লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা এ এস রোমানসু মখোয়গী ট্রেনিং সেসন লাক্কদৌরিবা মথং চায়োলদগী হৌরগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা লাউথোকখিবগা লোয়ননা ক্লব অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়। টিম স্পোর্টসকীদমক অচৌবা থৌদাং লৌবিরিবা লাজিও রিজন ওফ ইটালিবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মথংগী চায়োলদা রোমাগী শান্নরোইশিং মেদিকেলগী ওইবা চঙদ্র য়াদ্রবা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা ইন্দিভিজ্যুয়েল ট্রেনিং সেসন হৌরগনি অমসুং সেনন অসি পাঙথোকপা মতমদা ত্রিবোরিয়া ট্রেনিং সেন্টরদা হেলঠ ওথোরিটিনা সোসিয়েল দিসটেন্সিংগী পীবা চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎক্কনি হায়খি।

পনবা য়াই মদুদি সেরি এদা শরুক য়ারিবা ক্লব ২০ না ২০১৯-২০গী লেপ্তুনা লৈরিবা সিজন অসি পাঙথোকপা য়ারবা মতমদা মখা চৎখনবগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি ক্লবশিংগী অপূনবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা লৌখিবনি। অদুবু ৱারেপ অদুদা গভর্ণমেন্টনা লীগ মখা চথনবগী অয়াবা পীরক্লবকান্দা পাঙথোক্লিংবগী ৱাফম য়াওরি।

সেরি এগী প্রসিদেন্ট পাওলো পিনোনা হায়, ঐখোয় পূম্নমক্না ফুটবোল মখা চথবা পামই। অদুমকপু হেলঠ ওথোরিটিনা পীবা চৎনা কাঙলোনসু ঙাকপা মথৌ তায়। ঐখোয়না মতম পূম্নমক্তা গভর্ণমেন্টকী পাউতাক ঙাক্লা চৎক্কনি অমদি ঙাক্তুনা লাকই। করিগুম্বা লাইচৎ অসি লাকশিনলক্তুনা ফুটবোল অসি মখা চথবা য়াবা অদুগী মতম ফাওবদি ঙাইমিনখিবা তারি হায়খি।

অমরোমদা ইটালিদা ফোঙবা ন্যুজ এজেন্সি অমগী রিপোর্টতা লীগ অসি অমুক চথবগী মায়োক্তা লৈরি। অদুমকপু হায়রিবা টিমশিং অদুগা ইটালিয়ান ফুটবোল ফেদরেসনগা য়ান্নবা পুরকখ্রে হায়রি।

য়ুরোপকী মকোক থোংবা লীগ ওইরিবা ফ্রান্সকী লীগ ৱান অমদি নেদরলেন্দগী ইরিদিভিজ্গী ওইনা ২০১৯-২০ সিজন মখা চথদনবগী ৱারেপ লৌখিবা লৈখ্রবনি।

# পাকিস্টান ক্রিকেট বোর্দনা ফার্ষ্ট ক্লাস ক্রিকেট্টর, মেটচ ওফিসিয়েল অমদি স্কোলরশিংদা মতেং পাঙগদৌরি

করাচি, মে ০৩ (এজেন্সি)ঃ
পাকিস্টানদা কোভিদ-১৯ লাইচৎপু শন্দোকপা থিংনবগীদমক থম্লিবা লোকদাউননা অৱাবা মায়োক্লরিবা লৈবাক অদুগী ফার্ষ্ট ক্লাস ক্রিকেট্টর, মেটচ ওফিসিয়েল, স্কোলর অমদি গ্রাউন্দ ষ্টাফশিংদা লৈবাক অদুগী ক্রিকেট মশান্নগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা পাকিস্টান ক্রিকেট বোর্দ ( পি সি বি)না মতেং পাঙলগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।




পাকিস্টানদা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা হৌখিবা মার্চ থাদগী স্পোর্টিং ইভেন্টশিং পাঙথোকপা য়াদনা লাকপা মরম্না লৈবাক অদুগী ফার্ষ্ট ক্লাস ক্রিকেট্টরশিংনা অৱাবা মায়োক্লদুনা লাক্লি। পি সি বিনা মখোয়গীদমক বোর্দ অসিনা মতেং পাঙনবা ৱারেপ লৌখি।

হিরম অসিগী মতাংদা পাকিস্টান ক্রিকেট বোর্দকী চিয়ারমেন ইশান মনিনা হায়, পি সি বিনা লৈবাক অসিগী মশান্না অসিগা শাগোন্না চৎলিবা মীওইশিংবু অৱাবা তারবা মতমদা মতেং পাঙবা হায়বসি চপ চাবা মথৌনি হায়না খল্লি। মরম অসিনা লাইচৎ অসিবু শন্দোকপা থিংনবগী থম্লিবা লোকদাউননা অৱাবা মায়োক্লরিবা ক্রিকেট্টর, মেটচ ওফিসিয়েল, স্কোলর অমদি গ্রাউন্দ ষ্টাফশিংবু মতেং পাঙনবগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ক্রিকেট্টরশিংনা মখোয়গী শান্নবগী কেরিয়রদা কাউঙন্নারোইদবা মীকূপ কয়া লোয়নদুনা লৈরিবা পোৎলমশিং অৱাবা তারবা মীওইশিংগীদমক মতেং পাঙনবনি হায়দুনা ওক্সন তৌদুনা ফঙলকপা শেনফমশিং অদু মতেং পাঙনবগী পায়খৎলিবা খোঙথাংশিং অসিমক থাগৎনিঙাইনি। অমসুং শান্নরোই কয়ানা মখোয় মখোয়গী অঙম্বা থাক্তসু মতেং পাঙন্নরি। খোঙথাং অসিগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌরিবা সহিদ অফ্রিদি, রুমান রিজ অমদি অজর অলিনা লুচিঙদুনা থবক থৌরমশিং অসি মায় কানা চঙশিনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবগীদমক ইকায় খূম্নবা উৎলি হায়খি।

পাকিস্টান ক্রিকেট বোর্দনা ফার্ষ্ট ক্লাস ক্রিকেট্টর, মেটচ ওফিসিয়েল, স্কোলর অমদি গ্রাউন্দ ষ্টাফশিংগীদমক মতেং পাঙনবগী শেনফমশিং অদু বোর্দ অসিনা ফঙবা চহীগী ওইবা ফন্দদগী খায়দোক্তুনা থল্লি।

পাকিস্টান ক্রিকেট বোর্দতা অকক্লবা ফন্দ ওইবনা বোর্দ অসিনা মতেং পাঙগদৌরিবা মীওইশিং অসিদা ইলিজিবিটি ক্রাইট্রিয়া খাদোক্তুনা থল্লি। মখোয়শিং অদুদি ২০১৯-২০ সিজনদা শরুক য়াবা অমসুং ২০১৪-১৫দগী ২০১৮-১৯ ফাওবা ফার্ষ্ট ক্লাস মেটচ ১৫ শান্নখিবা ফার্ষ্ট ক্লাস ক্রিকেট্টরশিং, পাকিস্টান ক্রিকেট বোর্দনা শীনবা ইভেন্টশিংদা হৌখিবা সিজন অনীদা শরুক য়াখিবা মেটচ ওফিসিয়েল অমদি ওফিসিয়েলশিং অদুগা দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিয়েসনশিংদা চহী ৮ দগী তাদনা সার্ভিস পীরক্লবা গ্রাউন্দ ষ্টাফশিংদা পি সি বিগী মতেং শিং অসি পীগনি হায়রি।

ক্রাইটিরিয়া অসি ফলবা ফার্ষ্ট ক্লাস ক্রিকেট্টরশিংনা পাকিস্টান মনি ২৫,০০০। মেটচ ওফিসিয়েলন পাকিস্টান মনি ১৫,০০০ অদুগা স্কোলর অমদি গ্রাউন্দ ষ্টাফশিংনা পাকিস্টান মনি ১০,০০০ ফঙগনি হায়রি। পনবা য়াই মদুদি মমাঙ থাদা পাকিস্টান ক্রিকেট বোর্দনা লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংনবগীদমক লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর কোভিদ-১৯ পেন্দিমিক রিলিফ ফন্দদা কন্ট্রেক্তা লৈরিবা মখোয়গী নুপা অমসুং নুপী ক্রিকেট্টরশিংগা লোয়ননা পি সি বি ষ্টাফনা পাকিস্টান মনি ১০ মিলিয়নগী মতেং পাঙখিবা লৈরে।

# ওলেম্পিক্স রেষ্টলিং ক্বালিফাইয়রগী য়ূম্বুশিং অহোংবা লৈতে

পেরিস, মে ০৩ (এজেন্সি)ঃ
য়ুনাইটেদ ৱার্ল্ড রেষ্টলিং ( য়ু দল্লিউ দল্লিউ)না কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা য়ৈথোকখ্রবা টোকিও ওলেম্পিক গেমসতা য়াওরিবা রেষ্টলিং মশান্নগী কন্তিনেটেল ক্বালিফাইয়রশিংনা পাঙথোক্লবগী মফম অদুমক হোঙবা লৈতনা চাইনা, মোরোকো অমদি হঙ্গেরিদা পাঙথোক্কনি হায়না মালেমগী মশান্না অসিগী গভর্ণিং বোদি অসিনা লাউথোকখ্রে।

ৱারেপ অসি ইন্টরনেস্নেল ওলেম্পিক কম্মিটি ( আই ও সি)না ওলেম্পিক গেমসকীদমক নৌনা রেষ্টলিংগী ক্বালিফাইয়রশিং পাঙথোক্লবগী অয়াবা পীরকখিবগী মতুং ইন্না লৌখিবনি হায়না জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিকী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

চাইনাগী জাইননা য়ুম্বু ওইদুনা এসিয়ান কন্তিনেলগী ওইনা ক্বালিফাইয়র টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোক্কনি। মোরোকোগী ইল জাদিদনা অফ্রিকা অমদি ওসিনিয়াগী ওইনা ক্বালিফাইয়র টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোক্কনি অদুগা হঙ্গেরিগী বুদাকপেসতনা য়ুরোপিয়ানগী ওইনা টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোক্কনি। কন্তিনেটেল ৩ গী টুর্নামেন্টশিং অসি মথং চহীগী মার্চ থাদা পাঙথোক্লবগী শেম শারি।

হিরম অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ৱার্ল্ড রেষ্টলিংনা হায়, ওলেম্পিক গেমস ক্বালিফাইয়রগীদমক অনৌবা খোঙথাং লৌখৎতুনা অমুক হন্না সেদ্যুল তৌরকপা অসিনা এঠলেট খুদিংমক্তা পূক্নিং থৌগৎলগনি। লোয়ননা এঠলেটশিংনসু ক্বালিফিকেসনগী প্রোসেসশিং নীংথিনা খঙবিদুনা অমদি মখোয়না ফঙনিংলিবা পান্দম অদুবু ফঙবা ওইরসনু হায়খি।

বলগ্রেরিয়াগী কেপিটেল সোফিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড ক্বালিফাইয়িং ইভেন্ট অসিনা ওলেম্পিক্স ক্বালিফাইয়রগী অরোয়বা কম্পিটিসন ওইগদৌরি।

# বি সি সি আইনা পীথোক্তনা লৈরম্বা শেনফম পীথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ০৩ (এজেন্সি)ঃ
ইন্দিয়াগী হাংগী ফিভম তোঙল্লবশিংগী ক্রিকেট টিমনা ইং ২০১৯গী ওগষ্ট থাদা ইংলেন্দদা পাঙথোকখিবা টি ২০ ফিজিকেল দিসএবিলিটি ৱার্ল্ড ক্রিকেট সেরিজতা য়ুম্বু ইংলেন্দবু রন ৩৬ তা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্টগী য়ুম্বু ওইরকখিবদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট মশান্নগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই)না ক্রিকেট্টরশিং অসিবু শকখঙবা ওইনা লাউথোকখিবা লুপা লাক্ষ ৬৫ গী মনা ফঙদনা লাকখিবা অদু হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা শান্নরোইশিংগী মশা মশাগী একাউন্টতা ট্রান্সফর তৌখ্রে।

টি ২০ ফিজিকেল দিসএবিল্টি ৱার্ল্ড ক্রিকেট সেরিজ অদুদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবা শান্নরোই ১৭ অমদি কোচ ওইনা পুখিবা সুলকসান কুরকনি অমসুং অতোপ্পা সপোর্ট ষ্টাফশিংদা লুপা লাক্ষ ৩ / ৩গী শেনফমশিং অদু মশা মশাগী একাউন্টতা ট্রান্সফর তৌখিবনি।

# বেলারস ফার্ষ্ট লীগতা স্পুনিক রেচিষ্টা অমদি লিদা মায় পাকখ্রে

মিনস্ক, মে ০৩ (এজেন্সি)ঃ
বেলারসকী সেকেন্দ টাইয়র ফুটবোল লীগ ওইরিবা বেলারস ফার্ষ্ট লীগকী ঙসি শানন্নখিবা মেটচশিংদা স্পুনিক রেচিষ্টা অমদি লিদা মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ক্রুমকাচি মিনস্ক অমদি গোমেল দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েনখ্রে।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচ ওইনা স্পুনিক রেচিষ্টা অমদি গ্রানিক মিকাসিবিচিনা শান্নখিবা মেটচতা স্পুনিক রেচিষ্টানা গ্রানিক মিকাসিবিচিবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা স্পুনিক রেচিষ্টানা গ্রানিক মিকাসিবিচিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফকী মিনিট ৩৪ দা ভালিরি পোটোরোচানা অমদি অনীশুবা হাল্ফকী মিনিট ৮৪ দা জিওরজি মোনাষ্টাইকিনা চনখি। অনীশুবা মেটচ ওইনা লিদা অমদি এফ সি স্লোনিমনা শান্নখিবা মেটচতা লিদানা এফ সি স্লোনিমবু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা লিদাগী গোলশিং অদু য়ান সেনকিভিক্সনা মিনিট ২২ , ৫০ অমদি ভ্রাদিমিরক্রনা মিনিট ৭০ চৎপদা চনখি। অহুমশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা ক্রুমকাচি মিনস্ক অমদি গোমেল গোল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। ক্রুমকাচি মিনস্ককী গোল অদু লিবিদেবনা মিনিট ৭৯ দা চনখি অদুগা গোমেলগী গোল অদুনা দি গোমচানা মিনিট ৪২ দা চনখি।

# এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসনন্না ফুটবোল্লর চুনি গোস্বামিনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ০৩ (এজেন্সি)ঃ
এসিয়ান ফুটবোল কনফিদ্রেসন (এ এফ সি)গী প্রসিদেন্ট ওইরিবা সৈকখ সলমান বিন ইব্রাহিম অল খালিফানা ইন্দিয়াগী লিজেন্দরী ফুটবোল্লর সুবিমল চুনি গোস্বামিনা হৌখিবা শাগোলশেল নুমিৎতা লৈখিবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

এ এফ সিগী প্রসিদেন্ট অল খালিফানা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলদা ইরকপা চীথি অমদা হায়, হান্নগী ইন্দিয়ান নেস্নেল ফুটবোল টিমগী কেপ্তেন ওইরম্বা চুনি গোস্বামিনা লৈখিদবগী পাউ অসি তাবদা ঐহাক থম্মোয় শেংনা নুঙাইতবা পোকই। গোস্বামিনা হিংলিঙৈ মতমদা ইন্দিয়াদা মশান্না অসিগীদমক চাউখৎনবগী কখোকপগা লোয়ননা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলমখিবা অদু নীংশিঙদুননা লৈরগনি। অমসুং মহাক্না ১৯৬২ এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়া টিমবু লুচিঙদুনা গোল্ড মেদল ফঙখিবা অমদি ১৯৬২ এ এফ সি এসিয়ান কপতা রন্নস অপ তাবদা লৌখিবা থৌদাং অদু হৌজিক্কী মীরোলনা কাউঙমদনা লৈহৌরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

এসিয়ানগী ফুটবোল ফেমিলিনা গোস্বামিনা লৈখিদবা অসিদা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংনা থেংনরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

গোস্বামিনা ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা ইং ১৯৬২ এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়ান ফুটবোল টিমগী কেপ্তেন ওইনা লুচিংদুনা ফাইনেলদা সাউঠ কোরিয়াবু ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা এসিয়ান গেমসকী পুৱারীদা ইন্দিয়াগী ওইনা অনীশুবা গোল্ড মেদল খুদোল তমিখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা শান্নরোই অমনি।

গোস্বামিনা অহানবা ওইনা মহাক্কী ইন্টরনেস্নেল মেটচ ১৯৫৮ তা টোকিওদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমস অদুগী ম্যোন্মারগা শান্নখিবা মেটচ ওইখি। মহাক্কী অহানবা মেটচ অদুমক্তুদা ইন্দিয়ানা ৩-২ দা মায়থিবা পীখিবদা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না ইন্দিয়াগীদমক ওফিসিয়েল ওইবা ইন্টরনেস্নেল মেটচ ৩৬ শান্নখি। মদুদা মেটচ ১৬ অমনা কেপ্তেন ওইনা লুচিঙখি অদুগা অপূনবা গোল ১৩ চনবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগীদমক এসিয়ান গেমসগী এদিসন অনীদা শরুক য়াখিবতা নৎতনা ১৯৬০ দা পাঙথোকখিবা রোম ওলেম্পিকতা ইন্দিয়াগী ওলেম্পিক স্কৱাদ য়াওখি। ১৯৬৪ দা তেল এভিবতা পাঙথোকখিবা এ এফ সি এসিয়ান কপতা ইন্দিয়া টিমগী কেপ্তেন ওইদুনা ফাইনেল তম্না পুশিনখি। লোয়ননা ১৯৫৯ দা কবুল, ১৯৬০ দা কোলকটা অমদি জরখন্দদা, ১৯৬৩ দা কলম্বোদা কেপ্তেন ওইনা অমসুং ১৯৬৪ দা তেরহান অমদি কোলকটাদা পাঙথোকখিবা প্রি ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসনদা ইন্দিয়ানগী কেম্পেনদা য়াওখি।

চুনি গোস্বামি ১৯৬১ দা কোলা লুমপুরদা পাঙথোকখিবা মরদেকা কপতা অমসুং ১৯৬৪ দা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন ওইনা লুচিঙদুনা শরুক য়াখি। গোস্বামি ১৯৬৩ দা অর্জুন এৱর্দ অমসুং ১৯৮৩ দা পদ্মাশ্রী এৱর্দসু ফঙখি। ক্লব লেভেলদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ক্লব ওইরিবা মোহন বগানগীদমক ১৯৫৪ দগী ১৯৬৪ ফাওবা চহী ১৫ শান্নখিবদা অপূনবা গোল ২০০ হেনা চনখি। গোলশিং অদু কোলকটা ফুটবোল লীগতা ১৪৫, আই এফ এ সিল্ডতা ২৫, দুরান্দ কপতা ১৮, রোবস কপতা ১১ অমসুং দোক্টর ঐচ কে মুর্খজি সিলদতা গোল ১ চনবা ঙমখি।

মহাক্না ক্লব অদুগীদমক চহী ১৫ শান্নখিবদা কোলকটা ফুটবোল লীগ ৯ , আই এফ এ সিলদ ৫, দুরন্দ কপ ৫, রোবস কপ ৩, দোক্টর ঐচ কে মুর্খজি সিলদ ৫, বাবু কুর সিংহ সিলদ ৩ অমসুং অনন্দা বাজার সেন্তিনরি ট্রোফি ১ রক লৌখি লোয়ননা ক্লব অদুগী কেপ্তেন ওইনা অপূনবা ট্রোফি ১৪ সু লৌবা ঙমখি।

SAMSUNG COMBI
SAMSUNG 40" LED
SAMSUNG 190 LTR. REFRIG.
SAMSUNG 7.2 KG WASHER
₹ 46,000/-
TATA SKY FREE
SAMSUNG 43' SMART LED
SAMSUNG 190 LTR. REFRIG.
SAMSUNG 8 KG WASHER
₹ 57,500/-
SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMP.
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

SANSUI
WASHING MACHINE

| | |
|---|---|
| 6.5 KG | = ₹ 7999 |
| 7.2 KG | = ₹ 8999 |
| 8.2KG | = ₹ 10200 |
| 6.2KG Godz | = ₹ 8200 |
| 7KG NEW Godz | = ₹ 9200 |
| 8KG Godz | = ₹ 11500 |
| 8.5KG Godz | = ₹ 12000 |
| REFRIGERATOR | |
| 181 Ltr Godz | = ₹ 10600 |
| 190 Ltr SAMSUNG | = ₹ 11400 |
| 190 Ltr 3 STAR Godz | = ₹ 13400 |
| 200 Ltr 3 STAR | = ₹ 13000 |
| SANSUI LED | |
| 32" LED SMART | = ₹ 11000 |
| 40" LED SMART | = ₹ 19000 |
| 50" LED (4K) | = ₹ 29500 |

VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

# ইন্টরনেস্নেল টেবল টেন্নিস ফেদরেসনগী কম্পিটিসনশিং জুলাই থা ফাওবা য়ৈথোকখ্রে

বার্লিন, মে ০৩ (এজেন্সি)ঃ
মালেমগী মফম কয়াদা অকিবা মওংদা লেপ্পা লৈত্তনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরস লাইচৎনা স্পোর্টিং ইভেন্টশিংদা চৈথেং পীবা লেপ্পা লৈতবনা মালেমগী টেবল টেন্নিসগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা ইন্টরনেস্নেল টেবল টেন্নিস ফেদরেসন ( আই টি টি এফ)না হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা টেবল টেন্নিসকী কম্পিটিসন পূম্নমক জুলাই থা ফাওবা য়ৈথোকখ্রে।



হিরম অসিগী মতাংদা আই টি টি এফনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, আই টি টি এফগী ইভেন্টশিং অমসুং মরিলৈনবা এক্তিভিটি পূম্নমক পাঙথোকপদা থম্লিবা অথিংবা অদু অমুক জুলাইগী অরোয়বা চায়োল ফাওবা শাঙদোক্লে। ইন্টরনেস্নেল টেবল টেন্নিস ফেদরেসননা মালেমগী ওইরিবা ফিভম অসি কূপ্না য়েঙশিন্দুনা য়ৈথোক্লিবা ইভেন্টশিং ২০২০গী ওগষ্ট থাদগী অমুক হৌনবা শেম শাগনি।

আই টি টি এফনা লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা ফাইন্সসিয়েলদা অৱাবা মায়োক্লরিবা অসি খরামখৈ কোক্লবগীদমক ভেটেরানস টুর ইভেন্ট অমদি টেবল টেন্নিস এক্স ইভেন্টশিং চহী অসিগী ওইনা পাঙথোক্লরোই।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, আই টি টি এফকী মেনেজমেন্টশিংনা য়ারিবমখৈ চাদিং তৌদনবা হোৎনগনি। মসিনা ২০২০ দা গভর্ণিং বোদি অসিনা থেংন্নরিবা ফাইন্সসিয়েলগী অৱাবা অসি খরা মখৈদি ফহনগনি হায়খি।

আই টি টি এফনা হান্নসু মখোয়গী থবক থৌরমশিং জুন ফাওবা অথিংবা থমদুনা লাক্লি। থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা গভর্ণিং বোদি অসিনা মার্চ থাদা বুসানদা পাঙথোক্কদবা ৱার্ল্ড টিম চেম্পিয়নসিপ নৌনা মতম লেপ্তুনা সেপ্তেম্বর- ওক্টোবরদা য়ৈথোকখি।

য়ৈথোকখ্রবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা য়াওরিবা ৱার্ল্ড টুর ইভেন্ট অনী অদুদি- চৎলিবা চহী অসিগী জুন ১৬ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা কোরিয়ান ওপন অমসুং জুন ২৩ দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপননি ।

২০২১ দা পাঙথোক্লবগী নৌনা মতম লেপখ্রবা ইভেন্টশিং অদুদি এসিয়ান ওলেম্পিক ক্বালিফাইয়র, য়ুরোপিয়ান ওলেম্পিক সিঙ্গলস ক্বালিফাইয়র অমদি ৱার্ল্ড সিঙ্গলস ক্বালিফাইয়রনি। অতোপ্পা য়ৈথোকখ্রবা টুর্নামেন্ট ৭ অদুনা জুনিয়র সাক্যুইদনি।

# এফ সি কোলোগনিগী মীওই ৩ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে

বার্লিন, মে ০৩ (এজেন্সি)ঃ
কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা হৌখিবা মার্চ থাদগী লেপ্তুনা লাকখিবা জর্ম্মনগী মকোক থোংবা লীগ ওইরিবা মন্দস লীগানা লীগ মখা চৎথনবগী শেম শাদুনা ট্রেনিং সেসন চথরিঙৈ চৈরক্তা লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা ক্লব অমা ওইরিবা এফ সি কোলোগনি টিমগী মীওস ৩ কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরে হায়না লাউথোকখ্রে। টিম অসিগী মীওই ৩ পোজিটিব ওইরকপা অসিনা বন্দস লীগা অসি মখা চথনবা অমুক থেংথরবা য়ানা লৈরি।

বন্দস লীগাকী ক্লব অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা থাংজা নুমিৎতা ক্লব অসিগী শান্নরোই পূম্নমক অমদি কোচিং ষ্টাফশিং কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌখিবদা মীওই ৩ দি পোজিটিব ওইরে। হায়রিবা মীওই ৩ অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনা লাইওং অমত্তা উদ্রি। অমদি হেলঠ ওথোরিটিগী পাউতাক মতুং ইন্না মখোয় ৩ নুমিৎ ১৪ নি কোরিন্টাইন সেন্টরশিংদা লৈগনি হায়রি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা জর্ম্মনগী মকোক থোংবা লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা এফ সি কোলোগনিনা পোজিটিব ওইখ্রবা মীওই ৩ অসিগী মমিং মথা ফোঙদোকপদি লৈত্রি।

বন্দস লীগাকী ক্লবশিংনা ট্রেনিং সেসনদা অমুক হলকখ্রবসু জর্ম্মন গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা শাগোলশেল নুমিৎতা লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লীগ মখা চৎথনবগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈখিদবনা লৈখায় তাবা খঙনবগীদমক চায়োল ১ গা অমুক ঙায়খিবা তারি।

লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা ক্লবশিং অমসুং লীগ অসিবু শীনল্লি লাঙলিবশিংনা গভর্ণমেন্টগী মায়কৈদগী গ্রিন লাইট পীরক্তুনা মপুং ফানা লোয়শিনবগী পান্দম থল্লি অদুমকপু চান্সলর এঞ্জিলা মারকেলনা লৈবাক অদুদা স্পোর্টসকা লৈনবা খুদিংমক্কী ৱাফম মে ৬ তা লাউথোক্লবা য়ারি হায়না ফোঙদোকখি।

বন্দস লীগাগী ২৫ শুবা রাউন্দ লোয়খিবা ফাওবদা বায়ন মুনির্কনা পোইন্ট ৫৫ ফঙদুনা অহানবা, বরুসিয়া দোর্টমুননা পোইন্ট ৫১ ফঙদুনা অনীশুবা, আর বি লেটজিগনা পোইন্ট ৫০ ফঙদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈদুনা টাইতলগী লমজেল তান্নরি অদুগা বোরুসিয়া মোনচেংলাদ বেচনা পোইন্ট ৪৯ ফঙদুনা মরিশুবা, বায়র দিবরহুসেননা পোইন্ট ৪৭ ফঙদুনা মঙশুবা, এফ সি সলকেনা পোইন্ট ৩৭ ফঙদুনা তরুকশুবা, ৱল্ফবকগনা পোইন্ট ৩৬ ফঙদুনা তরেৎশুবা, এস সি ফ্রেবক্টনা পোইন্ট ৩৬ ফঙদুনা নিপালশুবা, হোফেনহায়ননা পোইন্ট ৩৫ ফঙদুনা মপলশুবা, এফ সি কোলোগনিনা পোইন্ট ৩২ ফঙদুনা তরাশুবা , এফ সি য়ুনিয়ন বার্লিননা পোইন্ট ৩০ ফঙদুনা তরামথোইশুবা, ফ্রাঙ্কফুটনা পোইন্ট ২৮ ফঙদুনা তরানিথোইশুবা, হর্থা বার্লিননা পোইন্ট ২৮ ফঙদুনা তরাহুমদোইশুবা, এফ সি অক্সব্রগনা পোইন্ট ২৭ ফঙদুনা তরামরিশুবা, এফ সি মেন্সনা পোইন্ট ২৬ ফঙদুনা তরামঙশশুবা, ফোর্টুনা দুসেল দ্রোফনা পোইন্ট ২২ ফঙদুনা ১৬ শুবা, ৱাদর ব্রমন্টনা পোইন্ট ১৮ ফঙদুনা ১৭ শুবা অমদি এফ সি পাদরবোননা পোইন্ট ১৬ ফঙদুনা লীগকী ১৮ শুবা মফমদা লৈরি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com